বৈজয়ন্তীমালা

—:(০):—



বৈজয়ন্তীমালা


ইজবা ঃ

লোংজম মঙ্গী সিংহ

নম্বোল

মমল— লুঃ ২'৫০

ফোংওজবাঃ
লোংজম মেমা দেবী
নম্বোল নথা লৈকাই ।



অহানবা খুৎনম
কোপী ১০০০
ইং ১৯৭১ ।

নম্ফম:—
নোভেল্টি প্রিণ্টর্স, ইম্ফাল ।

কচ্চবা

কচ্চরি পিতৃ তর্পণ নচাবা
নবা শৈদম "বৈজয়ন্তীমালা"
পম্মৌ ৺পারিজাৎকী থূয়াদা ॥

তোমবা নচা,
শ্রীলোংজম মঙ্গী সিংহ
নম্বোল মখা লৈকায় ।

য়াহৈ খরদং

পাক্লবা তাইবঙ্ ইপাক্তা, হিরোয় য়াওদবা হিরেনগুম পুক্লীংনা লেপ্তনা চেনখিহ্নুনা, থেংনরুই মপুগী নীংথিবা কক্সবা হৈকোল লৈ-কোল, পুক্লীংনা লাম্বা কংজবা অনেম্বা অনকপা লৈরাং মখল মথেল খরনা শীঙেল লৈচল শেমজহ্নুনা খুদোল অমত্তে "বৈজয়ন্তীমালা" লৈরাং লৈচল শুভ্রবস্ত্র পুন্সি শৈরাং শৈদম্নি খন্না লৌবিযু নীজরি।

চম্লবা খুদোল অসি লাম্হোক্লবা হোৎনজবদা লৈখল লৈচল শেম্বনচিংবগী ভার 'পুন্বা লৌবিখিবা ঐগী ওজা শ্রীরাইরোকপম ভগীরথ সিংহ, শাস্ত্রী অমদি লৈয়াংগী লৈচল থিবদা লৈকোল কয়া তাকপীখিবা ঐগী ইয়াম্বা শ্রীপুত্রম্বম কামিনীমোহন সিংহগী মফমদসু লম্মন তোম্লে লৌজরি।

তাং ১৫। ৯। ৭১ ইং

অইবা

ৱামাও য়ানবা

মতমগী ঈচেল— হৌনাইত্রবা ঈফুত্তগী চেল্লকই, লোইনাইত্রবা ঈপাক্তা তাই। তোরৈ অমদগী তোরৈ অমা ফাওবনা পুন্সীনি, অভেনবা অশাংবা। অন্না-মুংওাইগী পম্বাং কয়া লৈ, কৈগাক কৈগাক ঈচেল তেমশীংনা। তাওথরক্তি মতম-ঈহৌ-ঈরোইনা হকচাং-কোঙ্গোল কয়া মীকুপ মীকুপকী। থরায়- ঈরীক্তি অত্থগী অদ্ মওায়। মতমগী ঈথক ঈৱায়রবা আশাগী হৈরাং লৈরাং ঈমায় শীন্না তাউথরি, পল্লি, তাউথৈ তোরৈ তে'রৈদা। কদায় তান্না কয়া কুইনা তাউথখিদোবা?

রাহংগী পাউখুম পীনবা হোৎনবনা খোর্জৈগী পান্দমনি। পীরি মফম কয়াদা, মওঙ কয়াদা। খুৎনাইবগী খুৎলাইগুম, মপুগী শিস্থা পুবা মীওই মপোক্তি তাক্কে লাক্লরি, বসন্তগী শৈথা শৈহেক শৈদমগে লাক্লবগুম তান্না-হারি খোন্নৌ'না। পুক্নীং পাওমেজ্ঞে তোর্ব্বান্দা লেপ্তুনা, ঈথক ঈরৈ চাদনবা, পুন্সী-পম্বং য়েৌনবা। খোর্জৈ'সু তাক্তি মায়গৈ-শুংদাই, য়োৎচাবীনা মরন্নাই মায়গৈ তাকপগুম। তাক্তিবা খোর্জৈ'-মায়গৈ তুংইন্না, য়ৌসনু লমথুংফম তাইবঙ হীরোয়না চোকথরবা, পোখাক্রসনু মপুগী নাক্তা খুয়া তুশীংনা।

খোর্জৈ' পুন্সীসনু!

স্নানযাত্রা

তাং ৯।৬।৭১ ইং

ভগীরথ সিংহ

সৎসঙ্গ ভবন, নঙ্গোল।

কদাইদা করি য়াওরি

বৈজয়ন্তীমালা

লমজিংবীমু মঙাল্

হে তাইবং মপু-ও !

হে জগৎকী মপু-ও !!

লৈসি লৈথোলদু হৈজদে

ভক্তিগী মওঙ্‌স্থু খঙজদে !!

উজনীংলুবনি নঙ্‌তবু

খঙ্‌জনীংলুবনি নঙ্‌তবু- !!

খঙজদে ঐহাক্তি করিস্থু

ফংজদ্রি উজবা নঙবুস্থু !!

খুরুমজে তোল্লবা নমাইনা

লমজিংবীমু পুক্নীসে নহাক্কী- !!

নঙবু শেঙবাসিনা ঐথোয়গী শেংদোকপদু ওইহনবিয়সু। —ঋগ্বেদ

কনাগী থুৎশেমনো

লোম্না লোম্না মালংনা
 লৈরাং লৈনম য়েল্লিবা
হাইনা হুম্না শীঙেলনা
 হরাও মীনোক তম্লিবা !!
লৈনা লৈনা লৈনানা
 মালং তাম্বা ইল্লিবা
নোকমি নোকমি লৈরাংনা
 লৈনা লক্তা লোৎলিবা !!
ঙংনা ঙংনা খোইমুনা
 লৈরাং লৈহী খোল্লিবা
মির মির খোঞ্জেলনা
 চেক্লা শৈশক তম্লিবা !!
নোম্না নোম্না ঈথক্লা
 লৈন জগোর শারিবা
'সিবু কনাগী থুৎশেল্লো- ?
 'সিবু কনাগী তাইবঙ্নো ?

"ঈশ্বরনা অনৌবা পোৎশিংবু শেম্বা ঙম্বা, মাহুৎহন্দুনা অনৌবা অমা পু:1.ন11 শক্তিহু লৈ ।"
—রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর

পুবিয়ু ঐবু মফম'দুদা

পুবিয়ু ঐবু মফম'দুদা
ঐবু স্বর্গী লমদম'দুদা
থাগৎ রাহৈস্ন হৈজদে
লাইশোল ঈশৈস্ন ফাজদে- !!
চন্নবা পুন্নীংগী রাহৈনা
হৈজদে ফোঙদোকপা নত্তনা
নীংজবা নত্তনা নঙ্‌বু
ওমজদে পেলহনবা নঙ্‌বু !!
ধুপ দীপকী মৈথুনা
অরৈবা হৈরাং লৈরাংনা
পূজাগী থৌরম ওইহনা
কঞ্চরি তোল্লবা ননাইনা- !!

"পুন্নীং চঙ্‌দবা রাহৈগী লাইশোনবুদি, রাহৈ রাওবা পুন্নীং চঙ্‌বা লাইশোন্না হেনজুম কৈ।"
—মহাত্মা গান্ধী

কদাইদনো নঙত্রু

নঙ্গী রাখন্দা মপোক্নি ভাওরবা
হন্নি নঙবু থিজরি ফংনবা
কৌজরি খুৎলাম তোয়ন—তোয়না
নঙতবু থিজরি তোল্লবা ননাইনা
হৈরাং লৈরাং অচম্বা ঈশিং
অঙম্বা খরনা মনা মশীং
কচ্চরি ভক্তিগা লোয়নবা রাহৈনা
করিগী তাবিদে ননাইগী লাইশোল্লা !!
তাজেনে ননাইনা পঙলগা তোল্লবা
মালেম 'পূম্বসি অচৎ-চত্তবা !!
হৈনম লৈনমসে নঙগী নগুম্নি
নহাক্কী রাখলগী খুৎশেম ভাক্তনি !!

"ঈশ্বর মাহাত্ম্য সুংশিংবকী, জজলগী অমদি মুমদা য়োক্লিবা শ্রী-শলনচিংবা জীবকী পানবা পুম্নমক শৈবীরবনি ।"
—ঋগ্বেদ

শক্লাইদব—ও !

পঙলগা মপোকসে নঙনা লানবিযু
রাববা তাইবংপান নঙনা পুংবিযু
উমং-রমদা অশুকপা অচিনবা
নঙবু থিজবি নঙবু কৈংবা !!
চীংহুন ওইবফাঙ শক মপেনা
হোম তপ কযা তৌহুনা
হায়নরি নঙবু ফংবস্থ ঙম্নদে
ঙাঙনরি নঙবু উবস্থ ফংনদে
কাউগনবা মপোক্তা মীংইনা পে ক্তুনা
নঙগী নঙুনবু শক শোন্দুনা
মাযাগী ঈপাক্তা তাউহুনা পুন্সীস্থ
লেন্নরি অরা-হুঙাই কয়াস্থ !!

"অচুবগী অঙ্কবা আইনবু লৌশিল্লু, মদুব থমজিল্লু পাউ অমস্তুং হন্না হন্না [illegible] মদু স সায়সিদা লৈবিব, যুমংথাঙ খুদংমক্ত লৈবিবা জীব পানবা পুন্নমক্তা শন্দোকউ।"—বুদ্ধদেব

অরাবা-শক্লোন

লৈরাংস্থু শাত্তরে খোইমুস্থু ঙংদবে
শিঙ্গারৈস্থু কেনখবে থাবৈল্লস্থু উদরে
কুহু হায়না কোকিলস্থু খোংদরে
রাহোংগী শাথেক জগোই উদবে !!
চীক্লে নিকুঞ্জ হাওলে লৈকোলস্থু
লেঙখরে শ্যাম শকহেনবা কাহ্নাংস্থু
রাধিকাগী মবুংঙো ব্রজগী থৱায়
হাওলে সংসার রাধিকাগী থম্মোয় !!
ওইরেদো মৈচাক থম্মোয়গী অরাবা
তাদরে কোকিলগী শৈহেক মুংশিবা
উদরেনে হৈরাং লৈরাং নীংথিবা
কংখরে নিকুঞ্জ লোইনা শংলম্বা !!

'খর হেন্না বাশিনবা থম্মোয়গী হন্থবা লৈ পাব্রি ।"—টালমুদ

মপুগী শক্লোন

মালংবা মানা হুম্বস্থু
　　মপু মাগী থৌশান্নি
লৈরাংনা লৈশাং তপ্বস্থু
　　মপু মাগী খুৎশেন্নি !!
হৈরাংনা চীন্দম পীবস্থু
　　খুৎশেম্বা মাগী রাখন্নি
চেক্ক'না শৈশক তম্বস্থু
　　মপু মাগী খোম্থোক্নি !!
কে'বোনা মঙাল পীবস্থু
　　অঙম্বা মাগী মতীক্নি
থাজনা মোমোন নোকপস্থু
　　শক্লাইদবা মাগী মগুন্নি !!

"মঙাল হায়বসি ঈশ্বরগী মমিনি।" —প্লেটো

পুন্সী

শোল্লসি কোলোয় মপুগী
মহৈ য়াম্নবা পোকপগী
ঙসি শিনিস্থ পাউজেন্দে
হয়েং শিনিস্থ পাউতাক্কে !!
মতম কক্কেকো শিবগী
ফম্বাক 'থকসিদা তাইবংগী
মীকুপকী লীলা য়েংলগা
লোইখিনি পুন্সী অহুগা !!
মতমগী নোংলৈ লাক্লগা
পুন্সীগী অরোইবা ওইরগা
মাঙথিনি পুন্সী শোয়দনা
ঈয়ায় 'থক্কী কোংগোলগুম্না !!

"ঈশ্বরদি কৈদৌউৈদম্থ মনা পঙদে, তৌইগুম্বম্থং মীওইবগী থম্মোইতদি মরোল থোক্কে।"— কার্লস

পুক্নীং

লিরিবা মালংগী শউমদা
ফৌনানা চীংয়া তময়াদা
ঈহৌরি ঈথক ইপোম্না
অশংবা চরৈ শেত্তুনা !!
নাপ্পা চীক্না পাউদল্লরি
চীরোল মীনোক তম্লুরি
শীঙেল মকা তমহুনা
লৈরাং 'কাদা খোইমুনা !!
ন্নারীগী মতেং ওইর,ফাও
শৈরেংগী শৈদম তম্ম,ফাও
মপোক চামা লাংওন্না
কৌরি থাদোই নোংবান্না !!

ঐগী ঐগী পুক্নীংগী অনীংবা অমস্তুং অপাম্বশিং অসি শোয়দনা অচুম্বা ওইগনি।" —ঋগ্বেদ

অমত্তনি মীওইবা

করিগী খায়গনি জাতি বিজাতি
খেন্নদে ঐখোয় মীওইবা মপোক্তি
কদায়নো অতোনবা অমাংবা হায়বদো
কৈদনো অচৌবা মচা হায়বদো ?
খেন্নবা উত্তুনা অশোনবা তাক্কুনা
ঈশাগী থম্মোই পূক্চেল ফাদনা
মীজাতি হায়তুনা মীরৈবাক কৌতুনা
করিগী তেংথানি থম্মোয় শোক্না
করিনো খেন্নবা করিনোনে অতোপ্পনা
নহাক ঐহাক মখোয় ঐখোয়না
মীওইবা মপোক্তা করিনো খেন্নবা
তম্লসি কোরৌগুম থাজগুম মান্নবা !!

"সংসারদা লৈরিবা ঐখোয় মীওইবা জাতি অসি মহৌশানা চপ মান্ননা জগৎ শেম্বা মপু অমখক্তনা শেম্লকপনি। অদুম ওইনমক, ঐখোয় মশেলগী মঙ্গুংতা অমগা অমগা লৌনমজে।"—প্লেটো

অশিবা

থরায়গী চেক্লা পাইখরে
　　　　পুন্সীগী লৈরাং কেনখরে !!
লোইখরে বসন্ত মাসু
　　　　চৎখরে হেমন্ত মাসু !!
অরোইবা য়াহীপ তাল্লি
　　　　খোয়েন মঙলান তম্লি
তাইবং মোংফম থক্তা
　　　　খাম্বী মৈরি থক্তা !!
মীওইবগী য়াহীপ্পুং লমদমদো
　　　　কাউগনু মীওইবা থৌদোক্তো
তান্নরি য়ৌনবা কন্না
　　　　শোয়দনা থুংলনি খঙনা !!

"অশিবা হায়বসি ঐখোয়না মুমিৎ খুদিংগী নীংশিংলবদি কল্লফ-মীহোবগী ম্রাখল নত্রগা কা-হেন্না করিগুম। অমদা পামশিনবগী ম্রাখলশিংবু ঊরায় লায়না জয় তৌবা ঙমই।"—এনোন্

চেকশিল্লু লৈরাং

কুমওন শুড্রিবী লৈরাং-ও
　　　　লৈশাং তমড্রিবী শীঙেল-ও
কুমগী নোংবু ঙাইহরিবী
　　　　মালংগী শউম্বু য়েংলিবী !!
নদোম শাংপা কিদবরা !
　　　　নাইতোম হিংবা রাদবরা
মীকুপকী লৈশাং তম্বহুদা
　　　　খাঙুথকী পুন্সীহুদা !!
খোইমুগী শৈহেক তারুরগা
　　　　পুকচেল ফাবা ঙমজদ্রগা
থম্মোই ঈরাং হৌরনিদো
　　　　লৈরাংগী পুন্সী কেম্লনিদো !!

"ঈপঙ্ পঙ্না লানবা অমস্তুং পাখংপা পূকচেল্লা পুন্সীগী মওঙ অসি অন্নাবা ওইহল্লি।"—সীসেরো

পাইয়ু চেক্লা নীংতম্না

তত্তনা উরি ঐনা
নীংশিংলি শক্তমদো ভোয়না
শংবান্নবা ' তিয়া ' থক্তা
নাইতোম পাইরম্বা চেক্লা 'মত্তা ॥

নো'লেনস্থ করি থাংলমদে
থাজস্থ মঙাল লোংখিদে
হুজং-হুন্দা মলোয়া
পাইখি চেক্লা মানা— ॥

ঐনা ইদোম হায়খিবনি
পুন্সী খোঙচং মতৌনি
পাইয়ু চেক্লা পাইয়ু
ননীং তম্না পাইয়ু— ॥

নোংলৈ মুংশিং লাক্লগা
নীংবা কায়বা নত্তনা
ফংলরোই অমুক পাইবা
পুন্সীনি ঐস্থ নঙগুম্বা —॥

" কায়কম খঙত্রবা পুন্সী অসিদি য়ায়া তম্না শিবগা পাংথক্কি।" — রীচটর।

মীকুপকী পুন্সী

মীকুপকী থোঁদোক ওাক্লি পুন্সী
অরা-মুংঙাই 'পুন্নসী ॥
পুখিনি চৎখিনি যৌবনগী পুন্সী
হৌখিনি নোক্লা নোক্লা মণী ॥
নীংবা কায়বগী কোরৌসু থোরকনি
য়াক্লা শারবা মঙালনি ॥
ঙাখিনি থাজসু শরৎ ঋতুগী
অমুবা মঙক্লা নোংদুনগী
লেপখিনি পুন্সী-ঈচেলসু অকনবা
ঈচেল ফাংনা চেল্লবা
ফ লংরোই ঙাবা শৈশক মুংশিবগী
তে থাথোল নঙনা নীং' কায়বগী ॥

" পুন্সীগী মতমু অরেম্বদা যাওহনবদগী হেনবা অন্নাবা অমা লৈত্রে। মতুগী ভশেংনা লোইবা অমসু' মহুনা অয়ানবা অমদা লোইশিনবদা ওইরকপা।"
- টি, টি, মুন্দর।

পম্বং

লাপ্না লৈছোরে তামহৌরেদা
হিহোনবা পুন্সীগী ঐচেন্দা
রেংনুম্নু খন্নুম্নু য়োদোরে
পুন্সীগী পম্বুং ফংদোরে ॥
নীংশিং শোর মপীনা
নীংবা কান্নরবা তেংথাখোন্না
চোকথরবা তান্নবা মীৎয়েংনা
য়েংনুরনু হুন্না অমুক
অন্না মুংঙাইবা 'পুম্বদি
থাদোক্লুনা চৎপবান নঙদি
পুন্সী পম্বুংনি মুংঙাইরবা
লমদমদো নঙনা চংলিবা ॥

"অশিবা হায়বসি অয়োইবা য়াহীপনা ? নত্তে, মসি অরোইবা অমসুং ইকোন কোনবা য়াকাম্নোন অমনি ।" — ব্লাটর স্কোট ।

হীরোয়

হো হোল্লো হোল্লো
'য়াম্বা হিয়োনবা হোল্লো
খুমীৎনা চীংয়া তমখরে
অয়ানা কোয়ী চেনখরে ॥

কোয়ৌ মানা তাপ্পগা
নোংলৈ মুংশিংনা লাক্লগা
অবা পোৎলুম ওইরনি
মুংডাই শোর ফুল্লনি - ॥

তয়া চাকঙন চাহুনা
চৈয় কিমন শেত্তুনা
লুকাই হিবু তোংলুগা
লেমলৈ ভাথেম তমলুগা - ॥

নমুম মোংবা নয়ানয়াই
চারঁগী পৌঁয়োল শৎপয়াই
খুবাক লাইখল তাহুনা
য়েংলি 'পারি নমোল্লা - ॥

" ভোগদবা মথৌ হায়বসিনা খুদক্তা অমম্বুং থাজনা মাঙবা লৈবা থবক-শিংবু পাঙ:থাকহল্লি। মসিনা ওসি নো মগী দাবীশিং অাসগীদমক পাঙথোক্লবনি"
— থেথে।

তাইবঙ-শাজং

থরোগী লৈকাদা খোইমুনা
ঙংলি লোয়্না লোয়্না
খোইমুগী শউমদা লৈরাংনা
য়েংজরি মূনা মূনা !!

লিরিবা মালংদা শীজেলনা
শাজরি জগোই থেক-নৌনা
থাবলগী ইপোমদা থরোনা
নোকচরি খোয়রুম মোমোম্না !!

ঈচীক হুন্নবা মালেম 'সিদা
মুংঙাইরে খোইমু হুরাওরেদা
মিপাইরে লৈনম তাবদা
তথক্রে হৈনম ফংবদা !!

"ইং[illegible]লোনগা অসিনা খুদোংথীবা মশামক্তগী হেন্না খুদোংথীবা অমা ওই।"

—দোন হারোলড।

লৌঙাক-ঈশৈ

য়া-য়া-হো-য়া
হো উরীৎ নাপঙবী
নমানা কৌরি তাদবী
নপানা কৌরি খুমদবী—য়া-য়া-হো-য়া !!
লাউরি খোঙ্গেল কন্নদা
ফোনা লক্কী শগাইদা
কোক-কোক-কোক রাকবোক্কী
থৌদা ঈশৈ খোম্বোক্কী—য়া-য়া-হো-য়া !!
মালং তাম্বা ইন্না
লিরি ইপোম নাইনা
ফৌ-পাম্বী মহৈনা লূম্নবা
ফৌরোই নাইনা তুরিবা—য়া-য়া-হো-য়া !!
কন্না শকউ ঈশৈ
শগাই 'থক্তা ফৌঙাক 'শৈ
লৌঙাক তম্বা অঙাং-ও
থম্মোই পেন্না শকও—য়া-য়া-হো-য়া !!

"কনাগুম্বা অমগী ভৌরিবা মথোগী হৈনবীনা অকীবনু তাম্বোকই।"
—চার্লস বাউদেল্যর।

নুংশি সাক্ষী

নীংঙমদ-ৱাহৈনা পিরাংগা লোয়নবা
মৈচাক্কী ৱারীদো-হৌখ্রবা
তাহনবীরম্নু কাউথ্রবা ৱাখল নীংশিংগী
তিনথ্রসন্নু অকাউবা ঈপাক্তা মতমগী !!
"তাজদো" যমুনাগী তোর্ব্বান্দা শাখিবা
থম্মোইগী নুংশি ৱাখল্লি অশেংবা
লেঙদনা থমখিবা নুংশি সাক্ষীনি
প্রেমীশিংগী থম্মোইদা নীংশিংন' ৱারীনি !!
পুন্সীবু কৎখিরা নুবা মাইহন্নদো
মশাবী কনাগী ৱাখল নত্তেদো
নুংশিবা মাগী অকনবা ঈচেন্দি
পিরাংত নত্তেকো নুংশি খুদমদি !!

"নুংশিবা হায়বসি কপ অমবু য়ুনা লৈতেংদ্রনা মপুঙ ফাহনবগুম্না পুখ্রীবু মপুঙ ফাহনবা অদুগুম্বনি।" —রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর।

শৈরাংবা

করি ঈশৈবু শকসিংগে
কুন্দা শৈরেংবু খীসিংগে
যুংশিলী শৈশকনু হৈজদে
পাউরোলগী শৈরেংনু ফাজদে—!!

পিরাংগা লোয়ননা শকলুনি
থম্মোই পীরুই হায়খিনি
মোকা মোকা থীরুনি
হৌন খঙদে হায়খিনি—!!

মীনোক চাউধা তাইবঙনি
শীংঙ্গা য়াংপা য়ীওইবনি
মৈরোল শুনমু লৈবমহৌদে
খোন্থাং শুনমু শৈহেকহৌদে ॥

খঙবিরোই কনানমু ঐবু
লৌবিরোই কনানমু নঙবু
য়াশাগী শৈশকু তম্বনি
পুক্নীংগী পাউরোল থাবনি ॥

"প্রকৃতিনা হায়রা পীরকপা মতৌকচাবা মী মশীংগী মমাংদা লোনমাংনা ওইজরকপনা লেপ্পা য়াদ্রুং য়ামই।" —লীরগমা।

লেপথ্রবা ঈচেল

লৈমন চল্লবা লৈরাগ্গা পাংখক্লি
ঈচেল লেপ্লবা তোরৈগা অম্বানি
ঐগী রাখলগী য়েন্নীংসু হুন্দরে
পুন্সীগী পাঙ্গল ঈচেলসু লেপখরে !!
লৈমায়দা চোইনা কেল্লবী লৈরাংগুম
রাকচীং উল্লেন খাওজরবী শীঙেলগুম
থাজ তাপ্রগা থরোগুম খুইরবা
পুন্সীনি ঐগী নীংথা কায়রবা !!
খোইমু ইস্ত্রবা লৈহাউ লৈরেন্দা
কনাসু চীরোল তৌবিদ্রে নাপ্পদা
লৈশাং তম্লি রাকচীংগী গুলাপ সিদি
য়েন্নীং হুন্দরি ঐগী আশাসিদি !!

"পৃথিবীদা পাঙথোক্লিবা থবক পুম্নমক অসি মীওইবগী আশাগী মতেংনা পাঙথোকপা ওাকনি ।
—মার্টিন লুথর ।

মালং ফুরা

লৈতরে রাখলগী তুরিবু
য়েরুবা মুংশিগী মূর্ত্তিবু
মাওখরে পূরুীংগী কলম্বু
ইনবা থম্মোয় পাউজেলবু !!

নুংগী মূর্ত্তিগুম লেপ্লিবা
রাখলগী দলালগুম শারুবা
আশাগী মালংদা তিনখরে
মঙলানগী মশক ওইখরে !!

ঈখৌ লাংনা ভাইজবী
ঈকং থাদা রাজবী
চেক্লা কোলোয় মুংশিবী
পাংথক্লি মাগা নোঙ্গৌবী !!



"নীংবা কান্নবা হান্নবসি লৌশিংগী য়োকচবীনি ।" —সার বোয়েল বোক্ ।

ঙরাং ঙসি হয়েং

কনানো নঙবু ঙ্কিমন শেংলিবা
নথন্তা লোন্না মোমোন নোক্লিবা
মচি-মচিদা শোয়োক্কী চিদাইদা
করিনো নঙগী পম্ভুংকম ঙ্খন্দা !!

অচৌবা সম্রাটকী ঙ্খাহৈ ঙ্খাতাগুম
মতিক লৈরবা নিংথৌরেল-শিংগুম
অমুকস্ম নোকই কপই অমুকস্ম
সহরগী চিদাইদা খুঙ্গংগী লম্বীদস্থ !!

চংলু-চংলু নোকউ কপউনা
চাগনি থকনি করি থন্দনা
নথন্তা নীংজা লৈয়ু মফম 'তুদা
ফজবস্থ নিংহৌদা অথিবস্থ খল্লুদা !!

মীওইবা মপোকসি নঙগুম্বা ঙাক্তনি
পুন্সী ঈচেল 'সি অঙকপা মতৌনি
নোকপা ঙসিনা কপ্পা হয়েংনা
ঙরাংনা নিংথৌরেল অঙাওবা ঙসিনা !!

"অঙাওবা মী হায়বসি ঙ্খাখল থম্নবগী পাঙল নত্তনা পুন্নমকি মাওংথওনি"
—জিঃ কেঃ চেস্টরটো।

মৃণাল কুমৰ

অরেম্বা ওইরে রাখলয়ে

মঙলানগী ওইরে আশাসে !!

নোংমদোল 'থকী থাজবূ

থম্মোইদা ঐগীনি খনববূ !!

চেংলৌ উবদা খোয়রাংলূবনা

মাঙদোরে পুন্সী মৈরানবীগুম্মা !!

খৌগংলম্বা ঐগী থম্মোইদা

ফংদরে লাইজ্ঞা মরুভূমিদা !!

খুইথনা ঙাইজবী থারিকথাস্থ

উদরে মশাবী থাজ্ঞা চেলৌস্থ !!

চঙখরে অমংবা নোংলক্তা

তারক্তরে নোংদোল লীক্লাস্থ !!

নোংলৈ মুংশিং মরক্তা

"নঙগী পুন্সীংদা মুংঙাইবা রাখলশিং পৈশিল্লু মরমদি মুংঙাইবা রাখলশিংনা মুংঙাইবা পুন্সী শেম্মী।" —সীলর্বিক্স।

থবায় চেক্লা

পাইখরে চেক্লা মুংশিবী থবায়গী
চাক্তারম্বা পুন্সী ঈপাক্তা তাইবঙগী
নীংতম্বা ফংদনা মুংঙাইবা য়াওদনা
থবায় চেক্লা-ও লোইখরে পুন্সীনা !!

মুংঙাইবা মপোক্কি মতম্গি হরাওবা
করিস্নু খঙদনা মীকুপ্তা লোইখিবা
নোক্নুনা লৈরম্বা উরম্বা হরাওনা
থবায় চেক্লাও লোইখরে পুন্সীনা ॥

অরাংবা পামেলস্নু নোংলৈদা তুখরে
অপুংবা উনাস্নু মালেমদা কেনখরে
থবায় চেক্লা কায়দোংকম্না কৈদা
ফংলরোই শঙ্গু পাইজবা তাইবংদা !!

"মুংঙাইনবগীদমক্তা য়ান্না মিহৌনা খিকগনু মুংঙাইতগ্গীদমক্তনু থোইনা কিকগনু ।"—লাওজো

মন্ত্রীক কল্লি হুংশিবা

খোইরুম মোমোন মীনোক্লা

নংগী অরোনবা মীচিনা

হুখরে ঐগী রাখলবু

গৌহল্লে ঈরাং পুল্লীংবু ॥

হুংশিবা লাইমা তমথিদা

নঙগী জগৎসে কল্লিদা

অচৌবা সম্রাট কয়াস্থ

লৈঙাকঙম্বা নিংথৌরেল কয়াস্থ

মপুন্সী লুপ্পরি নঙোন্দা

কল্লিদা হুংশিবা কল্লিদা ॥

"হুংশিবা হায়বসি হু শিবগী মনানি।"—ড্রাইডেন

মীথা পোনবা

হো পোনগী চেক্লা-ও!
নখোণ্ডা ঝিঞ্জুর থাংলেদো
মীরা মীশা তারেদো
ননীং তম্না পাইণমত্রেদো!!
পাইজরম্বা ননীং তম্না
কোয়না লাপ্না পাইহুনা
য়োনীংবা মফম য়োরুবা
ণসিদি য়াত্রেদো চৎলুবা॥
করিস্নুংগীনো খল্লিনিদো
মীগী ইংখোন্দা চাক্তারুবদো
লাংদ থুহ্না রারেদো
ণসিগী দথাসে ফংলেদো॥

“নুঙগী ফল্লাংশিংনা কৈতেমশঙ শেম্বা অমসুং য়োংকী য়োচেংশিংনা শারং অমা শেম্বা নত্তে।”—রীচ্চার্দ লোভেলেস

পুন্সী ঈচেল

পুন্সী ঈচেল অসিরা
তাইবঙ কনানা খঙবরা
মঙং অরেপ্পা পুন্সীগী
ঙসিনা নোকপগী পুন্সী
হয়েংনা কপ্পা পুন্সী
অসিরা মীওই' পুন্সী
অরেপ্পা অশেংবা খঙদবা
মীওইনা পোকপা মপোকসিদা
পুন্সীগী ঈচেল অসিরা ?

“পুন্সী [illegible] ঈরোল্ল নত্তবগুম মী:পুম্বগনা মসিগু [illegible] থাম্না উচ্চারন তৌই।”—খ্‌টোকর মোর্লি।

'মাওথ্‌রবা আশা'

মাওথরে মন্দির আশাগী
শারম্বা লৈকোন্দা য়াথলগী
মূৎথরে যৌবন থরানমিচাক অদো
ওরাংতা পুক্নীং অতিয়াদা থোক্লম্বদো !!
তাথরে থাজদো ওাল্লম্বা
পুন্সীগী অতিয়াদা হাওলবা
কনাদা নোৎহৌনা হংলুনি 'হুবু
পুন্সী আশাগী মঙান্দুবু ?
কদায়নো আশা নঙবু
পুন্সী লমজিং ওইরম্বহুবু
উদরে পোল্লোইদা পুন্সীগী
আশাগী ধ্রুবতারা ঐগী !!

"থাগল থেনবা মীশিংনা নোংয়ম্বদা থাদৈ। অকনবা মীশিংনা মরম অনম্‌ং ৱহৈগা থাদৈ।"
—রালফ ৱালিদো ইমর্সন

তাইবঙ মশক খণ্ডু

তাইবং কোনগী চেক্লা-ও !
য়াইফ কোনগী পোম্বী-ও !
খিজহৌ কারদোংফম নীংথিবা
য়েংহনা মনা 'পুংবা !!
পুন্সীগী মুমীৎসু তাখিদৌরে
রাখলগী থাজসু লোৎখিদৌরে
য়েংজহৌ মীৎ পেল্লা
খঞ্জহৌ পাম্বা থম্মোইনা !
তাঙনা ফংলবা মপোক্কি
রানা উরবা তাইবঙনি
অরেম্বা মপোক্কি থনগনু
অরাবা পুন্সীনি নীংগনু !!

"ঐথোয়না শিরবা অমসুং সংসার অসিদগী থাদোক্নুনা চৎথরবা মতুংদা 'মথং' হাননসি অমমুক লৈত্রে।" —রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর

খৌজাল

শরৎকী থাবল লমহেনবী
হরাও মীনোক তমজবী
ঈরাং পীগনবী পূক্লীংবু
মিতাইজে নওগী পুন্সীবু
মায়খোং মকা লামজবী
লৈমুংশি থরো কৌজরী
মৈশা লাংলনি খাইনবগী
চেংলৌ উত্রগা নওগী
রাখল ঈরাং হৌরিবী
নগুং লাংগীরাজবী
নখংলেন থরোগী মৈচাকসিদদি
হন্না য়েংলমখো অমুক্তদি !

"খৌজালদৈহবা হায়বসি ল্যোহোকবা মীনা ছাওবা ছবা অমছুং নাপঙবা মীনা তাবা অমত্তং থঙবা ওবা লোল অছুগুবনি।" —বোডী

পুক্রীং

পুক্রীংগী চেক্লা মুংশিন্নী,
কাউওমদ্রেম্বক্লা নীংশিন্নী
অরোইব্রা মীৎয়েংগী রাংমদা
চেক্লাচা চাক্লাগে খনগ্রবোইদা !!

কোরৌগী মশেক্লা লৈরিবৈ
থাজগী মঙাল ফংলিবৈ
তাম্মুগী খোল্লেল্ল তারিবৈদা
চেক্লা নত্তবু খোংলমখোদা !!

পুক্রীগী শৈহেক্লা অরোইবা
খোম্থাং শুন্না খোংলমখোবা
মীৎয়েংনা পিরাংগা প য়েনবা
বিদায় পীরমখো অরোইবা !!

"পুক্রীং মশাগী মফম লৈবে। মফম অদুদা মশা মথন্তনা স্বর্গবু নরকী হুপ্প ওইহনবা অদুগা নরকপু অদুবু স্বর্গ ওইহনবা ঙম্মী।" —মিল্টন

শিঙ্গারৈ

লৈরাংও মুংশিরৈ খাঙু থক্কী
শীঙেল শিঙ্গারৈ মীকুপকী
খোইরুম মোমোন নোংক্লিবী
পামেল থক্তা ওড্‌জবী ॥

য়ৈবদা নোংলৈ মুংশিং
শাংলরোই থেক্লা নৌনা
লৈমায়থক্তা কেল্লনি
মীকুপ্তা লৈরাং কেল্লনি !!

কনানা হম্না য়েংবিরোই
লৈমায়দা কেল্লে খনবীরোই
খোঙ্গুল্লক্তা তারনি
উফুল্লক্কী লৈরাং ওইরনি !!

"আশীর্ব্বাদ হায়বসিনা পুন্থচেনবা থবকশিংদা থৌগল তৌই। থেঙ্জরবসু শোয়দনা মনা (মহৈ) অঙুনা মহৎ শিন্লৈ।" —কোজেয়

যৌবন

ইমায় চোন্না েল্লিবা ঈচেলসে
যৌবন পুন্সী পাক্ল ঈপাকসে
লানবা তারি যৌবন পুন্সীদা
তোংহ্না অন্না হুংঙাইগী হিরেলদা !!
তেংথারি খোঙবান্দা ফমহ্না কনানা
শৈশক্লি হুংঙাইগা শৈহেক্লো কনানা
মদোম লানবা ঙমদবা কনাসু
মিৎস্না তরং ইরা ঈহৌনসু !!
তেংথাখোল কয়াসু অন্না অনাগী
লোয়নননা ঈথক ঈপোমগা পুন্সীগী
যৌবনগী পুন্সী চৎপ্রি লেপ্তনা
কনানো লানঙম্বা মখোনা লৈবনা !!

"যৌবনগী পুন্সী হায়বসি জাতি অমগী নত্রগা লম্লাই মীওইশিংগী আশাগী, খোনাকবা অহাবা থোঁদোগী অমসুং শক্তিগী খতুনি।"

—ডব্লিউ, আর, ৱিলিয়ামস

আশাগী দলান্

মাঙখরে মীওইবা শৈহেক নীংশিংগী
থংখরে চীংলোন করানা অকাউবগী
চেন্দরে রাখলগী অকনবা ঈচেলসু
কংখরে আশাগী তুরেল-লাইরসু !!

রাখল করানা ঙাইহাক মীকুপকী
ওইররি শক্তম রাংলবা চীংজাওগী
অরা অনাগী মীকপ খোঙ্গেম্না
কাউহল্লি জগৎকী মুংঙাইবা মহুনা !!

ইথিম্না পুক্নীংদা কল্লক মিহৌগী
শাহল্লি মীওইবা দলান আশাগী
মীকুপ খুদীংগী লোইনাইরবা ঈপাক্তদা
কায়হল্লি মীকুপ্তা তিলহল্লি মালংদা !!

"হন্নকপা নৈত্রবা হৌখরবা মুংঙাইবশিং নীংশিংলুবা হায়রবসি অঙকপা কংলবা অবাবগী মশক্নি।"
—রোবার্ট ব্লোয়র

লাকখোগবা চেক্লা

লাকখো চেক্লা খোংলখোনে
ঐগী লৈকোনসে নিল্লখোনে
ঐগী পূক্নীং লৈকোন্নুংসে
শারবা লৈকংলা ওইহৌরেনে !!
য়াকচীংগী উল্লেনসু খাওমিন্নখরে
ঈভাগী নোংজুসু চোংমিন্নগ্রে
চহী কয়াসু হৌমিন্নগ্রে
অরা-মুংঙাইসু লেনমিন্নগ্রে ॥
বসন্ত শৈশক কাউরবোই
নওগী খোঙ্গেন্দো নীংশিংদ্রবোই
চেক্লাগী শক্তম কাউদরি
ঙসিসু নীংশিংলি কাউদরি ॥
চেক্লা শঙ্গু পাইরকপদা
য়াওরকপরা তোয়না হংদৈদা
ঐগী লৈকোন্দা নিল্লস্বদো
অরেম্বা ওইখি ঐগী য়াহংদো ॥

"মী অমা হায়বসি মহাক্না শেমগৎচন্নবা লোয়নরিবা মরূপ মপাংশিং অদুদগী ঊয়ায় লায়না থওবা ওমই।" —এমব্রোস বিস।

আশা

শারুবা ঐনা আশাগী দলান
মীকপ থোকপদা ওইরম্লে মঙলান
নোংমগী রাখল পূক্নীংগী আশাসে
মাঙখরি অসুম কোঙ্গোলগুম পুন্সীসে !!

পুন্সী ঈপাক্তা হিহোনবা মতৌনি
তাইবঙ মালংদা মঙলানগী মওঙনি
পুন্সীসে ঐখোয় মীওইবা জাতিগী
অরেপ্পা লৈতবা খোঙচৎ পুন্সিগী !!

নীংবা কায়বগী মুংশা মপীনা
নোংলৈগুম থোক্নি অরা শোরনা
খোঙ্গেম্না বজ্রগুম নীংবা কায়বগী
অকিবা ওইরে পুন্সীসে ঐগী !!

"আশা হায়বসি কোয়না চৎপা মঙগুম্নি ।" — এবিষ্টোটল

পুন্সী হীরোয়

লোইনাইত্রবা ঈপাক্তা রাখলগী
কণ্ডাওনরিরা রাখন্না ঐগী
পুন্সীগী ঈয়ায়দা পাক্লবা
ঐতনি নাইতোম তারিবা - !!
পুন্সীগী হিদেল রাংমদা
কৌরি ঐবুস্থ তোয়নদা
পাউখুমদি পীওমদে ঐনা
য়ৌওম্নি খন্নবা থম্মোয়না !!
থাজদবা অমুক পূক্লীংনা
তারুরি খোঙ্গেন্দো হন্না
থিংবদা রারবা মীৎয়েংনা
য়েংলুরি লোম্না-লোম্না - !!

"যপুংকাদবা মী অমনা পুক্লীংবু মিংশেল অমগুম শীজিনৈ। মসিনা করি অমত্তম্ থৌশিনবা তৌদে, যাদবম্ তৌদে। মসিনা লোয়নমক কংই তৌইগুমমুং করি অমত্তদি থমহৌদে।"

—চুরাংশে।

হিংমিন্নবা

অহিংসা শান্তিনি মীওইবনা পাম্বদি
পান্নদে অকনবনা অচুম্বা শকপদি
মুংঙাইবস্তু নত্তে মচুনা মীওইবা
পুন্সীবু মুংঙাইনা লৈনবনি পান্নবা !!
কদায় ওসিগী পৃথিবীগী রারী
তারি অকনবনা অচুম্বা শকপা রারী
মফম খুদীংদা মচি মরুমদা.
পান্নদে করিস্তু মচু মীওইবদা !!
শান্তি অহিংসা পুন্না চান্নবা
মুংশিনা তিন্নবা মরূপকুন্না চিংবা
পাম্নে মীওইবনা মুংঙাইবা শান্তিস্তু
পান্নদে অতোপ্পা অতৈ করিস্তু !!

"ঐখোয় ঈশা ঈশাদা শান্তি লৈজগ্রবদি মসিবু মপাম্বোংদগী মখনবা হোৎনবা হায়বসি অরেম্বনি।"
—রোচে ফৌকাউলড

ঐতগী নত্তে

খল্লুবা রাখলসু অরেম্বা ওইরে
নীংলুব আশাসু মঙ্লানগুম থোক্লরে
হোৌখিবা মপোক্তা তৌখিবা ঐনা
ফংবনি ঙসিগী পুন্সীদা ঐনা !!
খঙদবা কনানা শোনবনি তোয়না
খল্লুবা মাবু ঐগীনি হায়না।
অরেম্বা রাখলনি মঙলাল্লি নীংলুবা
ঐনা থাজববু ঐতগীনি খল্লুবা !!
মানা তাইবং জীব 'পূম্বদা
মাল্লবা মঙাল পীবিরি কাউক্লরেদা
ঐতগী ওইরগে খল্লুবা রাখল
ঐতগী ইরাল ওইরম্লে মঙলাল !!

"মঙাল হায়বসিদি ঈশ্বরগী মমিনি।" —প্লেটো

শকথওদবা চেক্লা

চেক্লা নওবু কনানো
খোঞ্জেল্লা পুক্লীং চুরিবা
শজিবু থাগী আহিংবা
তাইবঙ্গী চাক থুগাম্বা॥
ঈওগী নোংজুবু কৌবদা
ইথৌ লাংবগী তোৌবদা
নত্রগা মোংখবু কৌবগা
হায়দুনা চেক্লা হুংশিবী॥
নওগী খে প্লেল শাবদা
খওনীংবনা থম্মোয়দগী শিপাইরে
চেংলৌ থবশু কংজদে
চেক্লা লোলোয়নু খজদেনা॥
নোংমগী তোক্তে খোঞ্জেন্দি
ঐনশু পুক্লীংদা হংজরী
নওগী হুংশিবা খোঞ্জেন্দা
শাজরি ঐনা জগোয় –॥

"থ্বাইদগী হৈরা হুংশিবা খোঞ্জেল ঐখোয়না হুংশিজরবা হুপাগী খোঞ্জেল অগিনি"।

—জিন দে-লা-ক্রয়েরী

তাইবঙ-কৈথেল

নোংমা ইজোম পুন্সী হিদেন্দা
শোর ফুম্না খনখিবা মাখলদা
        ঙসি তাইবঙ মালেম কৈথেন্দা
        লৈরুরে অমুক অরা-নুঙাইবদা
য়োম্লবা হোৎনরি মপোক মীওইবগী
অরা-অনা পামদবা অপূম্বগী
        কনানা পাম্বীদে য়োনবস্থু ঙমদে
        ঐনা পামজবস্থু লৈজগে ফংজদে !!
ঐনা পাম্লিবদি নুঙাইবনি নুঙাইবা
ঐনা লাম্লবদি অহাউবনি অহাউবা
        [illegible]কপনি বিধিগী নোংদম্লি তাইবঙ
        নোংদম্বা মানা তায়োম্লহল্লে পুন্সী মঙ !!

"মীওইবা হায়বসিনা মহাক মশাগী নুঙাইবগী খেমজবা শীলহৈবা অমনি।"
—হেনরী দেবিড থোরাউ।

মতম

নোংম-নোংমা হৌখিবী
ইরৈ কল্পা চেনখিবী
কনাবু হংম্না য়েংদবী
মতম কৌবী লাইরেম্বী !!
য়ারবা কনাগী তেনবীদে
মুত্তাইবা কনাগী শাংবীদে
মীচঙ শংগল খায়দবা
নীংজৈ নঙবু তন্নবা !!
নীংনা-নীংনা পাউঙমদে
উনা উনা তৌঙমদে
হৌখরি খঙনা খঙনবু
নিঙমদ লাইথুং মীওইববু
য়েনবীরিবী মতম কৌবী লাইরেম্বী !!



"চৎথনু, শগোম্না পম্নীং থাদুনা চেনবগুম চৎশিন্নু, অতুগা পৃথিবী অসি হৃদিং ও নিদা শেমথি হায়বসি কাউথোকহু। মতম নঙনা নঙনা পাথা করিঙদা অদা হনবা যাই"।

—নেপোলিয়ন

নীংঙমদ-মৈচাক

কৌরি ঐবু মানা খুলাম্ তোয়না
খুমলি ঐনা থম্মোয়দা হন্না হন্না
তারি নঙগী নুংশিরা খুমলবা খোজেন্না
ওইরি ঐগী থম্মোয়দা নীঙমদ-মৈচাক্লা ॥

ঈশৈগী শৈশক শৈহেক্কা মাগী নুংশিবা
পঙথরি ঐগী থম্মোয়গী মাখল্লা শোল্লবা
মাওরি থম্মোয়দা অকিবা অঙকপা তুজুংবা
ওইরি মৈচাক ঐগী থম্মোয়দা নীংঙমদবা ॥

তাররোই তাররোই অমুক য়েংলরোই য়েংলরোই
চংলগে থারগে নঙগী [illegible] খল্লরোই
হেল্লরে মৈরি হেন্নহুম ওইরে-মৈচাক্লা
চাল্লরে মৈশা ঐঙোল্দা হন্না হন্না ॥

মীওইবগী [illegible] থবকশিংগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ঈশ্বরগী ওইবহুরি। [illegible] হৈদগী [illegible] [illegible] লৈবশিংগী [illegible] [illegible] [illegible] থঙশিন্নহুরি।

—কা[illegible]

কুমগী নোং

ঈঙাগী নোংজু খোন্না
নিল্লে তাইবঙ্ শীন্থুংনা
শংহল্লে উপাল রাপান্না
কংলম্বা রাকচীং উল্লেন্না ।
ওইন চাউবী নৈপাকলৈ
করিগী মীকপ থোক্তুরি
শাৎলে ফুগায়না লৈরাং
চুন্না পাল্লে হৈরাং !!
উৎলরে শক্তি লোইনা
তাইবঙ্ শেম্ব-মপুনা
ফুইনা হৌবা নোংলক্তনা
পাইরি পোম্বী চেক্লানা !!
মকুম মথা পুত্থনা
চাক্তারি পাক্লবা ঈপাক্তনা
য়াঙ্গংলম্বী তুরেন্না
চেঙ্গরি ঈমায় চোন্না !!
খুইথরবী শীঙেল কয়ানা
মীনোক তমজরি হরাওনা
নিল্লরে ঙলিস্থ নিল্লরে
তাইবঙ্ ঈচীক থুগায়রে -

"কুমগী নোংগী লৈচিন্না মথোক্সগী থুঙাইবদু লবুকশিংদা শীনৈ অমসুং মাকাইরোল ওইবা ঈশিং মরিক্তা য়াঙ্গংলবী পুথি্শিংদা তনিক তনিকহল্লি । ঙগৎ-ঙগৎ ঙেক্লবা পৃথিবীদা মাগী লৈনিন অম্লনা ইল্লক্লসমু, নোংগী ঈশিংনা য়ারকপা ওইরসমু" । —থোমসন

লেঙ্‌শিনবীয়্‌নাক্তা

হে কবিগী কবিরেন
হে সাহিত্যগী নিংথৌরেন
কাওরি পূক্নীংদা ভক্তনা
ভারি ৱাখল্দা মমিনা
নঙগী খোঙ্গুলবু থিজরি
নঙগী ৱাখলবু ইনজরি !!
লেঙ্‌বিরকউ অমুক্তা মফম'সিদা
কম্বীরমউ অমুক্তা ঈনাকসিদা
ঐগী পূক্নীং আশ্রমদতা
থাহনা থমজরি কবিতা
ৱাখলগী লাইজ চাইজরি
হৌনবা সমাজদা হুনজরি !!
কল্লবা মীওইবগী মরক্কি
শারবা সমাজগী মুংশানি
পূক্নীং হুনা কজনা
লৌশিং হারবু হাপ্পনা !!
ঐগী শৈরেংবু হৌহনবীয়্‌
কবিগী লৈচলবু শেম্বীয়্‌ ॥

পলের সেবা

হৈরাং লৈরাং হেক্লুসি ঈমাগী চরন্দা কংলুসি
লাউ মরূপণা চংলসি রায় কৌবদা হায়রোইসি ॥

অনকপা অয়াম্বা লমদমদস্থ থিরুসি হৈরাং লৈরাংস্থ
ঈমাগী চরন্দা কংনবা খোম্লাং লম্মন শিংনবা ॥

মতম্বাক্তা চাউজবনি মশাইগোন্দা হিংজবনি
ইমাগী লম্মন শিংলুসি লৈজবা মখৈ কংলুসি ॥

লাউ নওস্থ পাওদবা ঈমাগী চরণ উনবা
ঈমাগী চেংলো নীংথিবীসি থম্মোয় পেন্না-য়েংলুসি ॥

হে বিশ্বগী কবি হে জগংকী কবি
থিজরি কলবা মালেমদা সাহিত্যগী নৌরবা রসদা
য়েংজরি তত্তনা কজবা কবি লৈচল চাবা !!

"কিপনবা, চিংনগনবা রাগনশিংনা ঐবু কিহনবীগম্ব, ঐদি কবি অমনি"।

—টেগোর

চঙ্‌লসি ঈমাগী সেবা

ভারত বাসীশা মীকপ থোক্লো
পলেম ঈমাগী মীনোক তম্লো ॥
লাউরো থোঙ্লেল কম্না কম্না
শক্লো শৈশক মথল মথেন্না !!
নত্তরা ঈমাগী মচা নঙদি ?
নত্তরা পল্লেমগী মমোম নঙদি ?
করিগী তোপ্পি খায়রি করিগী
জাতি বিজাতি নঙগী ঐগী
অপুন-লিংজেল মান্ন-তম্বা
মত্নুা থবক ওইগনি অশেংবা
ওইররোই মঙলান তম্ব'ত্নুা
উৎলসি ঐখোয় পুন্সীগী থৌদাংনা !!



ঈমাগী জয়

জয় ওইসনু ভারত ঈমানা
মায়পাকপা ওইসনু ভারত বাসীনা !!
কুমজা কয়া মীনাইগী য়োংহিলংনা
পুন্দুনা থম্নকপা জাতি কয়ানা !!
পলেমগী খোয়াংং লম্নন শিংনবা
শহীদ কয়ামা বলিদান কৎখিবা !!
নীংতম লানফমদা থরায় থাখিবা
বীর কয়াগী শান্তি ভূমি ওইরবা
গঙ্গা যমুনা তীর্থ কয়ানা
থবাংচেৎ ওইরিবী ভারত ঈমা-ও
অঙোবা হিমালয়না পলেমগী লৈতেংনি
অঙোবা উল্লেম্মা পলেমগী নমথাংনি !!

"চুমদবশিং অমম্ভুং অয়ানবশিংনা মথৈথংদা নীংতম্বা অসি পুথোরকই"।
—ভোলট্যার

পলেম-ও-ভারত

তীর্থ কয়াগী তূংনফম ওইরিবা
অকুনবশিংগী পোক্লফম লমদম ওইরিবা
শান্তি অহিংসা প্রেমগী হৌরকফম
পৃথ্বী শীন্থুংনা ফাওরিবী ভারত
শহীদ কোটি কোটিগী শাৎনফম
মুনি লিশিং লিশিংগী লাইনীংফম
ভারত ঈমা পুকচেল চাউবী-ও
য়েক্লবা তমথীবশিংবু ভাকপীবিবী-ও ॥
তোল্ল-তারবা জীবশিংবু কনবিবা
মীয়োক মীচাল ফজবী ঈমা
নঙ্গী মিংলেন্না নিনসনু জগৎ
শীনথ্রসনু ভারত-ঈমাগী মিংচৎ ॥




"ঐথোয়না অমীংবা অপাম্বা লন-থুম পুন্নমক ঐথোয়গী ঈমা লৈবাক্না পীবিসনু" । —অথর্ব বেদ

পোক্লফম-লমদম

পোকপা শিবা মপোক্লি
তাইবঙ লীলা ফম্বাক্ল
পোক্লরবা মপোক্লি
পোক্ল-লমদম সেবানি !!

কৎলুসি ঐখোয়গী পুন্সীসি
ঈমা লৈবাক লমদমসি
পারী পোকই খঙহনসি
মমোম শাৎলি উৎলুসি !!

ঈমাগী পিরাং কংব্রিবৈ
চরৈ ফিত্থুপ্না মব্রিবৈ
পলেমগী চেংলৌ য়েংলুসি
ঈমাগী সেবা তৌরুসি !!



"ঐখোয়গী পোক্লফম লমদম্না য়েল্লবশিংবু মাইখিবা পীবা ওইরসনু" ।

—অথর্ব বেদ

লেখক্না কোংগ্রবা লাইরিকশিং :—

১। গান্ধী অমসুং মাপী বাথল

২। সাবিত্রী

ছাপা নম্নম— নোঙ্জেলটি প্রিন্টিরস, ইম্ফাল।